**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) গুদ গভর্নান্স ৱিক- প্রসাসন গাউন কি ওর ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি পোরোম্পাৎ দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়েট ভবন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

২) মৈরা পায়বীশিংগী ৪৫ রক শুবা পালন থৌরম রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) বির টিকেন্দ্রজিৎকী ১৬৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মীতম অমা ত্রিপুরাগী বামুতিয়াদা ঙসি মায়খুম হাংদোকখ্রে।

৪) মেটর্নেল দেদ কমিতিগী জিলা থাক্কী রিভিউ মিতিং বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসি ঙসিদি শান্তি লৈবা অমদি নিংথিনা চাওখৎপগী মমি তাবা উরে।

------

গুদ গভর্নান্স(এল)ঃ গুদ গভর্নান্স ৱিক- প্রসাসন গাউন কি ওর ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা জিলা থাক্কী ওইবা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম ঙসি পোরোম্পাৎ দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়েট ভবন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস- মোইরাংথেম লক্সমিকুমারনা হায়- অফবা লৈঙাক সাসন্না সরকারগা মীয়ামগা হকথেংননা শমহনবগী থবক তৌরি।

মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা মেদিকেল, সোসিয়েল ৱেলফিয়র, ব্লোক দেভলপমেন্ট ওফিস, ইদ্যুকেসন, সি.এ.এফ.এন্দ পি.দি, হোর্তিকলচর, এগ্রিকলচর, ভেটেরিনরি, এম.এস.পি.দি.সি.এল য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২০ লোমা মখল মখাগী সর্ভিসশিংগা মীয়ামদা ফংহনখি। মদুগী মনুংদা, দিসএবিলিতি সার্তিফিকেট, বার্থ এন্দ দেদ সার্তিফিকেট, ওল এজ, পেন্সন স্কিম, সি.এম ৱিদো পেন্সন স্কিম, সোলর রুফ তোপ, লেবর কার্দ, পি.এম.বিস্বা কর্ম, পি.এম.জি.এস.ৱাইনচিংবা য়াওরি।

ডে (এল)ঃ লমদম অসিগী লুরবা তানফম কয়াদা থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা থোক্লকখিবী মৈরা পায়বীশিংগী ৪৫ রক শুবা পালন থৌরম ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না শিন্দুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম মরিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নুপা সমাজনা থৌরম অদু ওল ফুমলৌ কম্মুয়্যনিতি হোল, থৌবাল জিলাগী অথোকপম মৈরা পায়বী হোল, বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী অমসুং ককচিং জিলাগী মাইবম লৈকাইদা থৌরমশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরমশিং অদুদা ৱাঙাংলোই ওইখিবশিংনা মণিপুরদা মতৌ করমা মৈরা পায়বী হোদোকখিবগে অমদি মাঙলমচৎতগী ঙসি ফাওবদা মৈরা পায়বীশিংনা লমদম অসিগীদমক লৌরক্লিবা থৌদাং কয়াবু নৌহৌননা শিংথাখি।

আর্ট (এল)ঃ আর্ট সোসাইতি মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিদা চখরিবা ১৭ শুবা এন্যুএল আর্ট একজিবিসনদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা মখল মথেলগী ওইবা মেদিয়মশিংদা মণিপুরগী ৱারী কয়া লীরি।

সোলর (এল)ঃ ষ্টেট লেবেল ইন্তিগ্রেতেদ রুরেল ইনর্জি প্রোগ্রামগী মখাদা সরকারগী রেসিদেন্সিয়েল স্কুলশিং, কম্ম্যুনিতি হোষ্টেলশিং, কলেজগী হোষ্টেলশিং, য়ুনিভর্সিতি অমদি তোঙান তোঙানবা মহৈতম্ফম শঙশিংদা সোলর ৱাটর হিটর থমবা খুদোংচাবা পীগদৌরি।

রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী চেরোল অমনা হায়- মসিগীদমক নমথোক্লবা ফোর্মদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। দরখাষ্ট পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম জনুৱারি ৩০ ফাওবনি। অকুপ্পা মরোল ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওল্ড লম্বুলেনদা লৈবা বিভাগ অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগা উন্নবগী থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরমগী মনুং চন্না নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, কৈনৌগী ৱার্দ মেম্বর, ভিলেজ চীফশিং অমসুং মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিংগা উসি উন্নখ্রে। মসি মীয়াম মরক্তা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্নবা অমসুং সেক্যুরিতিগা মীয়ামগগী মরক্তা অফবা মরী থমবনি হায়রি।

টিকেন্দ্রজিৎ (এল)ঃ বির টিকেন্দ্রজিৎকী ১৬৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মীতম অমা ত্রিপুরাগী বামুতিয়াদা ঙসি মায়খুম হাংদোকখ্রে। য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুর অমদি ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুথ কোওর্দিনেসন কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। লোয়ননা মণিপুর কন্নবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। তুংদা, মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ত্রিপুরা বিধান সভাগী এম.এল.এ- য়েলম বিরজিৎ, য়ু.পি.এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন. রুপাচন্দ্র, য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে. ধিরেন, নিপকোগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎ য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা সভানেত্রি ওইদুনা মেটর্নেল দেদ কমিতিগী জিলা থাক্কী রিভিউ মিতিং ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যার মণিপুরনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা মিতিং অদুদা অঙাং উন্নবদা মমা শিবা, মদুগী মরম খঙদোকপা অমসুং ঙাকথোকবা পান্বেনচিংবা পুথোকপগী ৱাফম খন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়- অঙাং উন্নবদা মমা লৈখিদবা অমসুং তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দবা হায়বসি লৌখৎকদবা য়ামা মরুওইবা খোঙথাং অমনি। জিলা থাক্তা হকশেলগী খুদোংচাবা নিংথিনা ফংহনবনা অসিগুম্বা থৌওং অসি থোকহন্দবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- অঙাং উন্নবদা মমা লৈখিদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক মীরোল্লিঙৈদা চাং নাইনা চেক্যঅপ তৌবা তঙাইফদে। অখণ্ড অহৈশিংগা তান্নদনা য়ুমদা অঙাং উন্নবগী থবক য়ারিবা মখৈ তৌদনবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

পুয়া (এল)ঃ পুয়া, দ সেক্রেট বুক কৌবা লাইরিক অমা ফোংবগী মতাংদা লাইনিংথৌ টেম্পল বোর্দকী মীওই খরনা মিদিয়াগী খুথাংদা থম্লকখিবা ৱাফমশিং অদু লাইরিক অসিগী পাব্লিসর ওইরিবা মীওইশিংনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লাইরিক অসিগী পাব্লিসরশিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মতম কয়াগী মমাংদগী লাইনিংথৌ সনামহি লাইনিংগী মতাংদা হোলি বুক অমা ফোংবগী ৱাফম সনামহি টেম্পল বোর্দকী মেম্বর অমদি অখণ্ড অহৈশিংনা খন্ন- নৈনদুনা লাকখি। লোয়ননা ইং শোক ২০১১ দগী ২০১৪ ফাওবগী মনুংদা টেম্পল বোর্দনা হোলিবুক নম্বগী এক্সপার্ট কমিতি অমা শেমখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা এক্সপার্ট কমিতি ওইনা এদিতোরিয়েল বোর্দ অমা শেমখি। তুংদা মতম অদুগী মেম্বর কাংজম বিধু খুমনদা মরী লৈনবা পুয়া কষ্টদিয়ানশিং তান্নরগা হোলি বুক অদু ইনবা শিন্নখি। অরোইবদা ইদিতোরিয়েল বোর্দনা পুনা পুয়া ২৫০

গী অয়াবা পীখি। অদুবু খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী শুপগী পুয়া ১৬২ খক নমবা ২০১৪ দা ইবোয়াইমা প্রিন্টরসতা মীওই ৫ না শাবা টিম অমদা খুৎশিন্নখি হায়রি।

অনৌবা টেম্পল বোর্দ ২০১৫-২০১৭ না মমাংগী বোর্দনা লেপরম্বা ৱাফমশিং অদু নাথৈদুনা থম্লগা ২০১৭ তা সনামহি লাইনিং পুয়া কৌবা হোলিবুক অমা ফোংখি। মতম অমগী টেম্পল বোর্দকী থৌ পুবশিংনা ফোংনবা অয়াবা পীরম্লবা লাইরিক অদু মীয়ামদা উহনজনিংবদগী ইংলিস অমদি হিন্দিনচিংবা লোলদা হন্দোক্লগা লাইরিক অসি ফোংখিবনি হায়না পাব্লিসরশিং অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি ।

জিরিবাম (এল) ঃ ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিল জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মখোয়না জিরিবামদা রেলৱে পেসেঞ্জর সার্ভিস অমুক হৌদোকবা, রেলৱে ষ্টেসন অসি জাতিগী থাক্তা শেমগৎনবা অমদি জিরি-ইম্ফাল রেল লম্বী অথুবদা লোইশিন্নবা য়াওনা দাবী কয়া তকশিনখি।

সেমিনার (এল) ঃ সাহিত্য একাদমি নিড দিল্লি অমসুং দ কলচরেল ফোরম মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা শকাইরবা অইবা হিজম গুনো সিংহগী বার্থ সেন্তিনারি সেমিনার অমা ঙসি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ৮ না সেসন অনি থোকা তোঙান তোঙানবা হিরমদা চে পাথোকখি।

হোম গার্দ (এল) ঃ মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা সরকারগা মরী লৈনদবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদনবা অমদি ওফিসতগী অয়াবা হান্না লৌগদবনি হায়না হোম গার্দকী কম্মান্দেন্টনা থা অসিগী ২৩ দা চেরোল অমা থোকখিবা অদু মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। চেরোল অদুনা অমুক হন্না য়েংশিনবীনবা এসোসিয়েসনগী

প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গি সিংহনা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি অমসুং হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট জেনেরেলগী থৌসু পুরিবা মণিপুর পুলিসকী দি.জি.পিদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

এসোসিয়েসন্না ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়- কম্মান্দেন্টনা থোকখিবা চেরোল অদুনা হোম গার্দশিংগীদমক পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংগী থবকশিংদা অপনবা ওইগনি। কম্মান্দেন্টকী চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিং মরম চাদে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা হিরম অসিদা কুপা য়েংশিনবীনবা এসোসিয়েসন অসিনা দাবী তৌরি।

ৱেদর (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউনা হায়- হায়রিবা ফিভম অসি মথংগী নুমিৎ নিনিদসু অহোংবা লৈরোই। তমেংলোং জিলাদা হয়েং লৈচিল কুংনা থাগনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী হৌখিবা চহি ১১ গী সাসনদা নিংথিনা চাওখৎ লন্বীদা পুরকপা ঙমলে।

অসামগী নাগাউ জিলাদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসি নিংথিনা শান্তি লৈবা অমদি চাওখৎপগী মমি তাবা উরে। অসামবু চাওখৎ লমজেলদা য়াওহল্লমদে হায়বা হান্নগী কংগ্রেস সরকারবু গৃহ মন্ত্রিনা পেন্দবা ফোংদোকখি।

মদুগী তুংদা গৃহ মন্ত্রিনা গুৱাহাতি পুলিস কম্মিসনারগী নৌনা শাবা বিল্ডিং শঙ্গাখি অমসুং ইন্তেলিজেন্স সিতি সার্ভিলেন্স সিষ্টেমগী খুৎশু খুৎলায়শিং হাংদোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ বিজয় হজারি ট্রোফি প্লেটকী ঙসি রাঞ্চিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু ৱিকেট মরিদা মায়থিবা পিখ্রে। তুরনামেন্ট অসি বি.সি.সি.আই দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬ কী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

ক্রিকেটঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচত টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পেচু লম্পাকনা কে.এ.এস.সি খোমিদোকপু রন ৮১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেমনা য়ু.সি.সি কাংচুপ রোদপু রন ৮৪ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি এন.দি.সি লাইফম খুনৌনা ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলনা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার ফিফ ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.য়ুনা কে.আই.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৮-৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.এস.সিনা নাওতোন এফ.এবু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ অহুমসুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ.সি লমজানা এফ.সি ৱাইখোংবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইমোইনু এফ.সিনা নিউ ষ্টার ক্লবপু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

------